# মীওই খুন্নাইগী য়েক্লবা য়েলহৌ চৎনরোল খরদি ফৎত্রে খঙনা মাঙহনখ্রে - য়ু শুংবা, য়োনবা, থকপসু অকাউবগী ঈরোলনুংদা লুপশিনখিবৈ মতমদু কয়াম ৱাৎলিগবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

য়ু থিংবৈ ৱাসি হায়দৌ, ঙাওদৌকা পুমতন তল্লবজাৎনি। ইকায়দৌবা কৈনোনা ইকায়দ্রগা অউবনা ইকায়রে হায়বদুদা চপ চানা অসুম অসুম তাশিল্লকপরা কৈনোমা ইতৌ তৌরি। কুইরেকো লমদমসিগী ইমা ইবেলশিংনা য়ু হায়বসিদা শুংবীরনু, য়োনবীরনু, থকপীরনু হায়না লাউ খোংলক্লিবসি। চহী য়াঙ্খ্রে ফাগদৌরে। লাউজৈ, খোংজৈ হায়দুনি, থক্লিংবনা য়াম্মনবসিদা অশুংবা, অয়োনবশিংগী থৌনা-পাঙ্গলদি পংহাপ্তা হাপকৎপজাৎনি। হৌজিক ৱারী ওইরকানসিদদি নুংঙাইবা কুম্মৈ ওইরমদৌ মানবা, য়ু থিংবগী খোঙজংদা য়েংবা নুংঙাইতবা থৌদোক লিশীং লিশীং থোকখ্রবনি। মপুরোইবনা অরানবা কয়া তৌরবসু মদুগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্পা ঙমদবী য়াওদবদি য়াদদুনা ঈহৌদা শরুক য়ারুবী খরদি য়ুদা লাইচুরবা মপুরোইবগী চৈ চাবা, মশম লাক্তুনা চিংবীবা, লোংগাও কাওবীবা, তাবদা কি তুক্কচরবা খোঙ্থি, মীচৈ তাবা মশীং খঙদ্রিপোৎনি। কনাগুম্বী, আ থায়নগী নুপীবু মাগী নুপানা নোংমদা তরারক ফূবা য়াই হায়বকাদু অমনবা ৱাখল্লোননি। লৈনুংদা ফুমজিনখ্রো খনবী, কনামত্তনা হেঞ্জিনবা ঙমদবীশিংদি অসিগুম্লবা মীওৎ মীনৈদগী মনীং তমজে। মপুরোইবনা য়ু থক্লিঙৈদা মাগী তালোয়দুনা লুচিংদুনা য়ু য়োনফমদা থুগাইরুবা মতাংসু য়াওদবা নত্তে। নুপী ময়াম্না ফারগা মরূ কোকপীহৌদবা নৎত্রগা ফারগা পুলিসতা পীহৌদবা ফরে খন্দখৈ নুপা থোক্লিবনি হায়বৈ মওংদা মরোল শেংবোই শেংদবোই মওং মরীন চুম্না লেপ্পা ঙমদবা মানসু মাগী নুপীদু থীন্থরগে হায়দুনা ঙাইজবশাই। য়ু য়োনফম চাইখাইরুবদা মপুরোইবগুম্বা অথকপা ময়ামগা লম্বা পান্নরুবনে ফুন্দ্রে তুখৈ চোকথরগা শাউনীংলগা হঞ্জিল্লক্লিবা মাগী নুপীদুদা ফূরগেকাসু হায়দুনা অকামপেৎ থাংলগা চৈদু থাংগৎপনি। ফূবা ঙম্বদি হায়রুনু। 'নঙগী নুপাদি ৱারকপসু ঙমদবা নুপী নৱা লৌদে' হায়রকপা য়ুঙাওবা অমগী ৱাহৈনা নাকোং শীংজা য়ৈরবী মাগী নুপীনি, অশাউবদু মপুরোইবদা হৈথবীনি। চৈদু তাপ মুল্লগা খৎইন ইনবদা নুপাদু মোরে হঙোই অশিবা তাবদৌনা পদ্রাক তাবদু নুংঙাইবা কুম্মৈ ওইবজাৎনি। থকনীংবগা থকহন্নীংদবগী লান অসি ইমুং অয়াম্বদা তোয়মন্না থোক্লকপদগী থকহন্নীংদবগী ঈহৌ অসি মপান থোরকখিবনি হায়বা য়াই।

খৃষ্ট কুম ১৯৯১দগীনি মণিপুরদা য়ু পুমথিং থিংবগী এক্ট চৎনদুনা লাকখিবসি। অদুবু ফুরুপ খরগী ওইনদি লাইনীং লাইচৎকী ওইবা থৌরমগা মরী লৈননা অথিংবসি কোমথোকই। কনাগুম্বনা হায় "মসিদি ঐখোয়গী ইপা ইপু হাক্তক্তগী হেন্দোক্তুনা লাই হাক্তক্তগী শীজিন্নরক্লবনি থিংফম থোক্তে।" চুম্মী লমদম অসিগী লাইথৌ তিন্থৌগী থৌরম অমদি লৈবাক নিংথৌ অঙম অথৌ য়াওনা তিনবা থৌরম কয়াদা য়াওবা পোৎচঙশিংগী মনুংদা পুকয়ু ৱাইয়ুনচিংবা য়ুসু শীংথাবা য়াই। লাই হরাউবা থৌরমদসু লৈরাই য়ুখাঙবা য়াওরিবনি। মতাংসিদা থমজনীংবদি - য়েলহৌঙৈদা চৎনরম্বা পূম্নমক অফ-ফত্ত থিদনা অসুম্মক চৎনদুনা লৈরদ্রা হায়বসিনি। আ থায়নদি মী শিরবা মতুংদা অশিবা হকচাংদু লমহাং লমজাওদা হুঞ্জেক্তুনা শা উচকেশিংগী মচিঞ্জাক ওইখিবসু য়াওরিবনি। ঈশিংদা লংথখিবসু কোঙ্গায়নি। মদুগী থৌওংদুবু থায়না চৎনরম্বনি হায়দুনা মীনা খুরক হাঙদখৈ চিল্লবা, ঈশিং নুংশিৎ মোৎপনা খম থেংলবা, লায়না-তীলনা মখল মখলনা লান্দারক্লবা মতমসিদা চত্থদুনা লৈবা য়ারিব্রা? মতম অমগী ইন্দিয়াদা সতিগী চৎনবী ওইনা অশিবা মপুরোইবা পোলোইবগী শীং মথক্তা মাগী লোয়নবীবু ফমহল্লগা হিংনা হিংনা মৈ থাবগী চৎনবীদু লোনা য়াদবনি হায়দুনা থিংখ্রবদুনি। অঙাং লুহোংবগী চৎনবী মূত্থৎনবা হায়দুনা নুপানা চহী কুনমাথোই অদুগা নুপীনা চহী তরানিপান য়ৌদ্রিবফাওবা লুহোংবা য়াদবা এক্ট চৎনরে। থিগৎলুরবদি হান্না চৎনরম্বা ফত্তবা হিংচা য়াইতম্বগী মশক ওইবা অমনবা চৎনরোল কয়া মুত্থৎখিবগী ৱারী শিংথাবগী লোইবা নাইরোই।

থায়না মণিপুরদা কনাগুম্বা অমগী মঙক কক্তুনা লুখা থাবা ঙম্বা মীশকপু অকন অথৌনি হায়না লৈবাক মীয়াম্না কিনা লুনা লৌনবগা লোয়ননা ইকায়খুন্নরম্বগী ৱাফম চায়নরোলনচিংবা ৱারী লাইরিকশিংনা ময়েক লানা উৎলি। হৌনদবা তমথীবা থৌওং থৌচৎনি খঙনরক্তুনা মাঙখিবনি হায়বা য়াই। লাইগী ওইবা থৌরমশিংদা মী ঈরাৎলম্বগী ৱাফম থেংনৈ। অঙাং ওইরিঙৈদা নুংশা য়াম্না শাগৎলকপা মতমদা অচিকপা তাঞ্জা য়েংদুনা চুরাম্থাবনা অঙাং ফায় হায়দুনা য়াম্না কিনরম্মী। থোং অমা শাবদা অহিংবা মী হাপ্তবা য়াদে, মদুগীদমক মী ফারুনবা চুরাম্থাবা থাদোকই হায়বসি অহল লমনশিংনা লীবিরম্বা ৱারীদা অদুম ময়াওরে। অসিগুম্লবা মী ঈরাৎপগী থবকসি তৌদবা য়াদে হায়বা লৈতে। অহোয়নদুম তৌহৈদবা অমা ওইনা খন্নরকখি। মদুননি ঙমু, শরেং, হৈ-লৈনা মহুৎ শিল্লকখিবসি। মীওই খুন্নাইদা মাঙগদবা থবক থৌওংশিংবু মখা তানা চৎনহনখিদবা হায়বসি মীওইবগী মীনুংশিগী ওইবা ৱাখল মীৎয়েং পাকথোক চাওথোকপদগীনি। অসিগুম্বা অওনবা অহোংবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্না তরাম তরাম্না ওকফম থোকই। লৈবাক খুন্নাই মীওইবদা শোক্কদবা লোনচৎশিংবু মাঙহন্নবা ঈহৌদি পূম্নমক্না শৌগৎকদবনি।

য়ু পুমথিং থিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী এক্ট লৈনা লৈনা থিংবা ঙমদবা য়ুনি। করিদা হোরিবা, কদাইদা য়ুরিবা হায়বদুসু ইখঙ খঙনৈ। কাদা, ইমা লূপ, লৈঙাক্কী ফোর্স য়াওনা থিংনবা লেপ্তুনা হোৎনরবসু শুংবা য়োনবগী থবক পায়খৎলিবশিং মরক্তা করিমত্তা চঙবা ঙমদবা পাঙ্গলবা ময়াম য়াওবনরা, হোৎনবা পূম্বা অরেম্বা তাবগুম্লি। মরকসিদা হন্দক লৈঙাক্লা য়ু শুংবা য়াহন্নবা পায়খৎপা থৌরাং ফনা ফজনা খুমাঙ চাওশিনখ্রে। লমদমসিগী মীয়াম্নদি শীজিন্নবা য়াদবা মীরমখক্তদা থাদোক্লবা য়ু শুংবা য়াহনবা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেলেক্ট কম্মিটিনা অয়াবা পীখ্রে। নুপী লূপশিং, কাদানচিংবা কয়ানা মসিবু য়ানীংদবগী খোল্লাউ লাউরক্লি। লাউফমসু থোকপনি। থায়না শা-লান কল্লিঙৈ, মী মঙক ককথোক ককশিন, হাত্তোক হাৎচিন তৌববু থৌনা ফবা লেমজবা থবকনি খন্নরিঙৈ মতমদা তমথীবা মীনুংশি য়াওদবা থবকশিংদু পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক য়ু থক্নরম্বে ৱানি। হৌজিক ৱাখল লৌশিং ৱাংনরবা শাথীরে হায়রিবা কৈ ফাওবা হাৎলনু হায়রবা মতমসিদা ইমুং-মনুং ঈশৌ লাংননবা, লিভর-চাকখাও শাইদৎনবা য়ু হায়বসি শুকথক হেক থকফম থোক্তবনি। চাক চঙনবা, ঈচেল হেনগৎনবা হায়দুদি থক্লিংবশিংনা, শেন্দোং লৈনা লল্লোনবা পাম্বীশিংনা পংহায় হায়শাবৈ ৱানি। মদুনা ইমুং মনুংগী শেন্মীৎলোন্দা, হকচাংদা, পুন্সি মহিংদা শোকহল্লিবসি খঙশিন উশিন্নদনা লৈরসিরা? অমরোমদা লমদম অসিদা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওরগা শুংজরিবা য়ুদু লমদম অসিগী মীয়াম্না শীজিন্নহল্লোই হায়বসি করি করম্বা পাম্বৈ শীজিন্নরগা ওইথোকহল্লোইদৌরিনো হায়বসি মরু ওইবা ৱাহং ওইরি। লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবদি য়ু শুংহন্দ্রবসু অতোপ্পা থৌশিল-থৌরাং ময়াম পায়খৎপা য়াই। সনা লৈবাকসে মতম চুপ্পে সনা থোকপী ওইহনসি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### খাঙবোককী য়ুনিটি পার্কতা বূথ সম্মেলন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা মন্দল অসিগী বূথ সম্মেলন-২০২১গী থৌরম ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সী অমদি য়ুনিটি পার্কতা পাঙথোকখ্রে।

খাঙবোক এ সীগী পোল্লিং ৪৭কী মীওইশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱাবগাই এ সীগী এক্স-এম এল এ ডা. উশম দেবেন, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎ, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. রোমেনকুমার মঙাং, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট সেক্রেটরি এম প্রিয়োকুমার, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ইগজেক্যুটিভ মেম্বর কেঐচ মেঞ্জোর মঙাং, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী ইন-চার্জ এমদি ইস্লাউদ্দিন, মহিলা মোর্চা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট লাংপোকলাকপম দমেন্তি, য়ুব মোর্চা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট থোকচোম জিতেন অমসুং বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি টিঐচ মংলেমনা মথংশীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ৱাবগাই এ সীগী এক্স-এম এল এ ডা. উশম দেবেননা ফোঙদোকখিবদা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগীদমক্তদি ইলেক্সন হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসিসু পোলিটিক্সকা য়াম্না মরী লৈনৈ। মরম অদুনা তমথিরবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মরক অসিদা মীয়াম্না কিনদনা অফবা মীহুৎ থাগত্তবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক থৌরম কয়া তৌনরক্লিবনি। চাওখৎপা, তংদু-লৈতাবা মণিপুর অমদি খাঙবোক এ সী অমা ওইনবগীদমক্তা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা অফবা মীহুৎ খনমিন্নসি হায়না মহাক্না থৌরম অদুদা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগীদমক্তা য়াম্না ৱাজরম্লবা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক্তা মপুদা থৌনিজ খিবগা লোয়ননা মিনিট অনী তূমীন্না লেপ্তুনা থৌনিজখি হায়রি।

### সেক্রেটরিগী ফমদা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অমদি য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব, খুরাই কোন্সম লৈকায়গী ওনররি সেক্রেটরি বিকেন য়াইখোমনা রিমসকী নন-টিচিং ইমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এন টি ঈ দব্লিয়ু এ)গী মীখলদা সেক্রেটরিগী ফমদা মায় পাক্লকপা অসিদা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা মহাকপু ওকপগী থৌরম অমা বোদি অসিগী লোয়শঙদা পাঙথোকখ্রে হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী মীদিয়া কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌরিবা লুপ এন টি ঈ দব্লিয়ু এগী য়াম্না মরু ওইবা ফম অসিগী মীখলদা বিকেন য়াইখোমবু মায় পাকহল্লকপগীদমক রিমসকী নন-টিচিং ষ্টাফশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মহাক্না এন টি ঈ দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা রিমসপু হান্নদগী হেন্না চাওখৎ খোঙথাংলোমদা পুরক্তুনা শীংথোবা য়াবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইহনবা, রিমসকী ওথোরিটিশিংগা তাথোক তাশিন তৌমিন্নরগা নন-ষ্টাফশিংগী অৱাৎ-অপা মেনখৎপা ঙম্লবা হোৎনসি হায়খি। ঙসি পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা য়াইফ-থৌজাল পীখি হায়রি।

### অইবশিংনা এপ্লায় তৌবীরকউ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): তলকশুবা লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিলোল মনা-২০২২গীদমক অইবশিং অমদি খোরিলোলগী লুপশিংদগী লাইরিক থাজিনবীরকপা য়ারগনি হায়না লোক্তাক খোর্জে লুপ থাঙ্গগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তোংব্রম অমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, এৱার্দ অসিগীদমক্তা অইবশিংনা ২০১৭-২০২০ ফাওবদা ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিকশিং লুপ অসিগী সেক্রেটরি নৎত্রগা পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা মোবাইল নম্বর ৮৭৩১০৮৩৯০৮ অমদি ৯৪৩৬৪৪৪৯৪৫ দা পাউ ফাওবীরগা থাজিল্লকপা য়াগনি। লাইরিক থাজিল্লকপগী মতম্না সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা ওইগনি।

লোয়ননা অনীশুবদা থন্লিবা 'তোংব্রম ওংবী মনিতোম্বী নীংশিং (সাহিত্যা) মনা' ২০২২ অসিগীদমক্তসু অইবা-অইবীশিংদগী মণিপুর খোরিলোলগী লাইরিকশিং থাজিনবীরকপা য়ারগনি। মনা অসিগী লাইরিকশিং ২০১৭-২০২০ ফাওবগী মনুংদা ফোঙবা ওইগদবনি। লাইরিক থাজিল্লকপগী মতম্না চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লুপ অসিদা য়ৌহনবীরকউ হায়রি।

### খোরিলোলদা মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা রঘু লৈশাংথেমনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি মণিপুরী খোরিলোলগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইবদা নত্তনা অমুক হন্না মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরগনি হায়না ঙসি সাহিত্য থৌপাং লুপ্না ভার্চ্যুএলগী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অইবা রঘুনা মণিপুরী সাহিত্যগীদমক তৌরম্বা খূদোলশিং শীংথারদুনা মেম্বরশিংনা মাগী মাগী ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। মণিপুরগী খুঙ্গংগী পুন্সিবু য়াম্না ময়েক শেংনা মহাক্কী শৈরেংশিংদা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাকপু খুঙ্গংগী পুন্সি য়েকপা কবি হায়রগা হেন্না খঙনৈ হায়নসু লুপ অসিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মপু ওইখিবা অইবা শরতচন্দ্র থিয়ামনা হায়, অইবা রঘুগী পুন্সিদি সাহিত্যগীদমক কথোক্লবা পুন্সি অমনি। ঐখোয়গী তুংগী আশাদি অঙাংশিংদা লৈরি খঙবনা অঙাংগী সাহিত্য শেমগৎলম্বা অইবনি। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি মেনখৎপা ঙমদনা লৈহৌরগনি।


## MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of Class X examination 2015 bearing Roll No. 28104 issued by BOSEM and Marksheet of Class XII examination 2017 bering Roll No. 13153 and Registration No. 13013 issued by COHSEM on the way between Uripok and Kangchup Road on 10th September, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **O. Amusana Chanu**
Lamlongei, Kangchup Road, Imphal West
# 9612095360

HL-P/0044/14

## ORIGINAL MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of the High School Leaving Certificate Examination, 1999 bearing Roll No. 32947 issued by the Board of Secondary Education, Manipur on the way in between Mayang-Imphal and Employment Exchange, Lamphelpat on 10th September, 2021. Finders are requested to handover it.

Sd/- **Yumnam Nanao Singh**
Mayang-Imphal Thana Mamang
# 6909157121

HL-P/0042/14

## MICRO FINANCE কী LOAN পীবীনবা হায়জবা

হৌজিক হৌজিক Covid-19 Pendamic না মরম ওইদুনা খম থেংনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা মতমসিদা অনৌবা ললোন-ইতিক হৌদোক্লবগীদমক খূৎতা শেন্নিং অমত্তা লৈতবনা মরম ওইদুনা মখা তানা ঐখোয়গী অৱাবশিং উবীদুনা MICRO FINANCE কী Loan পীবীনবগীদমক Thangtek Teramakhong, Nambol Khuman Centre গী মায়কৈদগী নোল্লূকচরি।

হায়জরিবা,
**Nandeibam Echan Devi**
Centre Leader (Khuman Centre)
Thangtek Teramakhong, Nambol

HL-P/0041/14

## রেজিষ্টর তৌরগনি

ৱাইখোং তাংশম লৈকাইগী ওইবা Youth Development Club, Waikhong Tangsham Leikai, P.S. Waikhong, Kakching District কৌবা Club অমা শেম্লে। শ্রী চিরোম গোপাল সিংহ, শ্রী লাইশ্রম অমরজিৎ সিংহ অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম সুসিল সিংহনা মথংশিৎনা President, Secretary অমসুং Treasurer ওইনা খনখ্রে। হায়রিবা Club অসি অথুবা মতমদা Register তৌজরগনি। মসিদা য়েৎপীনিংবা অমদি মেম্বর ওইবীনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২০/৯/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা সেক্রেটরিদা খঙহনবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/- লাইশ্রম অমরজিৎ সিংহ**
**Secretary, Youth Development Club,**
**Tangsham Leikai, Waikhong**

HL-B/7150/14

## লম য়োঞ্জরি

লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদা National Highway দগী 100 metre রোম চংশিল্লগা লম্বীগা ফুট ৮৮ গুম্বা তাইনবা য়েৎন-খোৎনবা লৈতবা 0.30 acres (30 points) পাক-চাউবা লম অমা অথুবগী ওইনা অহোংবা মমলদা য়োঞ্জরি। তংখাই অমতং ওইনা লৈবিগে হায়রসু য়াগনি। No brokers please.

**Contact: 9612159826**

HL-P/9517/14,15,16

## 81 JOB VACANCY AVAILABLE

Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official post 81 (Male 44 + Female 37) gidamak candidate singdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 35 gi manungda leiba Class X, XII, Graduation pass touraba amadi tamliba meeoisingna thabak asi apply toubiraba yagani.

Monthly Income : 10,000/- to 37,000/-
Facilities : Fooding + Lodging Available

**"NO DEPOSIT REQUIRED".**

Apply toubiningba meeoisingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana tannabiu.

HL-P/6953/6-16 (alt)&20 **Contact : 9774986962, 8812023893**

## CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate for passing out of Diploma in Pharmacy in the year 2000 issued by Manipur University on the way in between Thoubal and Imphal on 10th August, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Swammee Ningombam**
Thoubal Kshetri Leikai
PO & PS - Thoubal Pin No.795138 # 8787790456

HL-P/0043/14

## URGENT JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | **Airport Post Vacancy of Bangalore & Hyderabad.** | | | |
| | i. Cargo Loader | 13,000 – with Bonus | 105 | X/XII |
| 2. | **In Imphal Post Vacancy** | | | |
| | i. Office reception/Data Entry | 50,000 – Above | 10 | XII/G |
| | ii. Security Guard / Ladies Guard | 6,000 – Above | 30 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/Security Supervisor | 8,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iv. VIP-Security Guard/Gun man Guard | 45,000 – Above | 20 | XII/G |
| | v. A.C. Bus Driver/Heavy License | 9,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | vi. A.C. Bus Ticketing staff (M/F) | 10,000 – Above | 05 | X/XII/G |
| | vii. Computer Operator/VIP Driver | 7,000 – Above | 10 | X/XII/G |
| | viii. Helper, Chowkidar/ Cook (M/F) | 5,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | ix. Marketing Executive | 8,000 – 9,000 | 10 | G |
| | x. B.D.A./ Senior Operations Officer | 12,000 – 15,000 | 10 | G |
| 3. | **Banking Sitting Staff Recruitment** | | | |
| | i. Micro Finance C.R.O / Office Asst. | 8,000 – Above | 10 | XII/G |
| | ii. Micro Finance R.O./ Filed Officer | 5,000 –Above | 10 | X/XII |
| | iii. Accountant / Cashier (M/F) | 7,000 – Above | 05 | XII/G |
| | iv. Loan Officer/ Probationary Officer | 15,000-above | 10 | G/M |
| 4. | **No deposit Work at Imphal** | | | |
| | i. Office Managerial Staff | 8,000 – Above | 30 | X/XII |
| | ii. Accountant / G.S.T. with Tally | 10,000 – Above | 05 | XII/G |
| | iii. Local Driver | 7,000 – Above | 05 | X/XII |

**Date of Submission : 16-09-2021**
**Date of Interview : 17-09-2021**
**Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993**
**Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.**

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
**Keishampat Opp. CCpur Bus Parking**
**Near Poknapham Press Gate**

HL-P/9641/7,9,11,13,14,15

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, the 13th September,2021.

**No.Ex 2/77-78/20 :** This is to notify for general information of all the candidates who have submitted duly filled in prescribed application forms for appointment of different categories of posts of the Board of Secondary Education, Manipur on online mode that the Written Examination will be held on 9th & 10th October, 2021 at D.M. College of Arts.

| Sl.No. | Date of Written Test | Examination Centre | Name of Posts | Time & Shift |
|---|---|---|---|---|
| 1. | 9th October | D.M. College of Arts | S.O. | Morning (9:00 to 11:00 a.m.) |
| 2. | 9th October | D.M. College of Arts | ASO & Peon | Evening (1:00 to 3:00 p.m.) |
| 3. | 10th October | D.M. College of Arts | Lower Division Assistant | Morning (9:00 to 11:00 a.m.) |
| 4. | 10th October | D.M. College of Arts | Accountant & Sweeper | Evening (1:00 to 3:00 p.m.) |

2. All the candidates in respect of para 1 above should report to their respective examination centres at 8:45 a.m. and no candidates shall be allowed to enter Examination Hall after 9:00 a.m. And in respect of para 2 above, all the candidates should report to their respective examination centres at 12:45 p.m. and no candidates shall be allowed to enter Examination Hall after 1:00 p.m. They shall bring their own blue/black ink ball pens. They are permitted to carry pocket hand sanitizer (50ml), mask, hand gloves, transparent water bottle, admit card. They shall maintain Covid Appropriate Behaviour in the examination hall/room.

Sd/- L. MANGI SINGH
Controller of Examinations
Board of Secondary Education

HL-P/0040/14

## COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**

For

**MEDICAL REGULAR COURSE 2021-22**

**For Admission & details please Visit Our Website :www.cometcoaching.in**

- Date of Form issue : 13th September, 2021
- Last date of form submission : 30th September, 2021
- Class commencement from : date to be published in newspapers

**Free Studentship available**
**(Limited seats based on first come first serve basis)**

**Special Features**

- Zoom Live Classes for all subjects (Monday to Saturday)
- Recorded videos will be provided for all subjects (Monday to Saturday)
- Assessment test every Sunday (during pandemic).
- If there is any holiday on the day of test, test will be held on the next day.
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Study Materials will be provided.

**Note: Normal physical classes will be conducted with S.O.P. once permitted by govt. of Manipur.**

For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

HL-B/7149/13 Sept. to 19 Sept.